# লোক্তাক ট্রোফিগী অহৌবা মেচতা এস এস য়ু শিংজমৈনা নিশা থাংমৈবন্দ মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ
এন ঐচ পি সি মণিপুরগী স্পোন্সর মখাদা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএশন (অমোফা) মোইরাংনা শিন্দুনা ঙসিদগী ৯ শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৬ মোইরাং মল্টি পর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা চথবা হৌখ্রে।

লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী হৌদোকখ্রবা লোক্তাক ট্রোফি অসি মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন এম রোমিবালা দেবী, লোক্তাক পৱর ষ্টেশন মণিপুরগী চীফ ইঞ্জিনিয়র বেদিরাম, মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৪ গী কাউন্সিল্লর এন ইবোমচা, ৱার্দ নম্বর ৮ কী কাউন্সিল্লর এম প্রেমিলা দেবী অমসুং ৱার্দ নম্বর ৬ কী কাউন্সিল্লর কে প্রেমিলানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

লোক্তাক ট্রোফিদা শরুক য়াগদৌরিবা লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম ৬ অদুদি এস এস য়ু শিংজমৈ, নিশা থাংমৈবন্দ, ক্রুগপু নম্বোল, য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং, এইম খাবম অমসুং অমোফা মোইরাংনি।

ঙসি লোক্তাক ট্রোফিগী অহৌবা মেচতা লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম অনী সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শিংজমৈ অমসুং নোর্থইম্ফাল সাউর্দন স্পোর্টিং এসোসিএশন (নিশা) থাংমৈবন্দ অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি।

মেচ অদুদা এস এস য়ু শিংজমৈনা নিশা থাংমৈবন্দবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুদা এস এস য়ুগী এম দি সাহিদুর রহমন্না মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্নবগী লম্বী শেমখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা এল গোগোচানা চনখি।

গোল অনী শোথনা লৈরিবা নিশা থাংমৈবন্দগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচকী ৬৪ শুবা মিনিটতা টিমদুগী ষ্ট্রাইকর কে ঐচ নাওতোন্না গোল অমা চন্দুনা এস এস য়ুদগী গোল অমা হন্দোকখি।

হয়েং য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং অমসুং এইম খাবম অনীনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

# লেন এফ সি শন্দংখোংনা এল ৱাই এ ৱাঙু লাইফম মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ
ৱাঙু শন্দংখোং সোসিএল ৱেলফ্যের য়ুঠ ক্লব (এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি) শন্দংখোংনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি ট্রোফি ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লেন এফ সি শন্দংখোংনা ৱিন্নর ওইখ্রে।



টিম ১৬ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা লেন এফ সি শন্দংখোংনা এল ৱাই এ ৱাঙু লাইফম গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা লেন এফ সি শন্দংখোংনা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ২৫ গী শেনগী মনা ফংখি। মেচ অদুদা মায়থীদুনা রন্নর্স-অপ তাহৌরবা এল ৱাই এ ৱাঙু লাইফমনা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ১৫ গী শেনগী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা এল ৱাই এ ৱাঙু লাইফমগী লোইতোংবম ইবোচৌবনা বেষ্ট স্কোরর তাখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা লেন এফ সি শন্দংখোংগী ৱাহেংবম রোবার্টনা ষ্টার ওফ দ প্লেয়রগী মনা ফংখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এল ৱাই এ ৱাঙু লাইফম অমসুং লেন এফ সি শন্দংখোংগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা অমনা অমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথনখি। মেচ অদুদা এল ৱাই এ ৱাঙু লাইফম মায়থীজরবসু মেচকী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম অহুমশুবা মিনিটতা টিমদুগী শান্নরোয় রোমেসনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

এল ৱাই এ ৱাঙু লাইফমনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবগা গোল শোথরিবা লেন এফ সি শনদংখোংগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা টিমদুগী শান্নরোয় রোবার্টনা মেচকী ৭ শুবা মিনিটতা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা লেন এফ সিগী রোবার্টনা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। গোল শোথরিবা এল ৱাই এগী চন্দ্না মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা টিমদুগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মায়কৈ অনীমক্না গোল ২-২ দা অমুক লৈনখি। মেচ অদুগী ৫০ শুবা মিনিটতা লেন এফ সিগী রোবার্টনা টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি।

টুর্নামেন্ট অদু লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাঙু জিলা পরিষদকী মেম্বর মোইরাংথেম রোমেন মৈতৈ, ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান লোইতোংবম সরত অমসুং খুমুকচম রঘুমনিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরমদুদা ৱাইখোমগী এস দি ও ডা. ময়েংবম ভেটো সিংহ (এম সি এস) না স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা মনা য়েন্থোকখি।

# সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ
অৱাং খুনৌ য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএশন (এ ৱাই দি এ) অৱাং খুনৌ ময়ায় লৈকায়না শিন্দুনা এসোসিএশন অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিজেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ লোইখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ দা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ এপ্রিল ১ দা দব্লিয়ু এস সি টিম এ ঙাইরাংবম অমসুং এফ সি অচানবীগৈগা শান্নগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ এফ সি পুখ্রম্ম অমসুং এস ৱাই এস এ সঞ্জেনবমগা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দব্লিয়ু এস সি টিম এ ঙাইরাংবম্না আই দব্লিয়ু এস সি খুম্বোং গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। দব্লিয়ু এস সি টিম এ ঙাইরাংবমগী গোল অহুম অদু অমরজিৎনা গোল অনী অদুগা দিঙ্কুনা গোল অমা চনখি। আই দব্লিয়ু এস সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মনিতোন্না চনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এস ৱাই এস এ সঞ্জেনবম্না হেমন্তা এফ সি চজিং গোল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। এস ৱাই এস এ সঞ্জেনবমগী মায় পাকপগী গোল অদু শান্তিকুমারনা চনখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এফ সি পুখ্রম্মমনা এস সি কে কোদোমপোকপী গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। এফ সি পুখ্রম্মগী গোল ৪ অদু সমানন্দনা গোল অনী, পি ইনাওবা অমসুং পি পারিচন্দ্রনা গোল অমমম চনখি।

মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এফ সি অচানবীগৈনা এ ৱাই দি এ টিম বি অৱাং খুনৌ গোল ১৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

# চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোল

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ
লসাল লৈমপোকপম খুনফম্না শিন্দুনা লৈমপোকপমদা লৈবা লসাল গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ শুবা লসাল স্পোর্টস মীট ২০১৬ এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল ওপন সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা জি এস এফ সি কৈশাম্পাৎনা আই জে ইন্টরপ্রাইজেস নম্বোল টাই ব্রেক্কী কিক্স ফোম পেনালটি মার্কদা গোল ৩-৪ দা মায়থীবা পীদুনা জি এস এফ সি সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনলে মেচতা ঈ এস ও বমদিয়ারনা লসাল টিম এ লৈমপোকপম গোল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা ঈ এস ও বমদিয়ার সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দব্লিয়ু এফ সি টিম বি মোইরাংখোম্না এফ সি লমলাই গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা দব্লিয়ু এফ সি টিম বি মোইরাংখোম সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দব্লিয়ু এফ সি টিম এ মোইরাংখোম্না কে ৱাই সি কৈনৌ গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা দব্লিয়ু এফ সি টিম এ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। হয়েং অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ঈ এস ও বমদিয়ার অমসুং জি এস এফ সি মোইরাংখোমগা শান্নরগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ এপ্রিল ১ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা দব্লিয়ু এফ সি টিম বি মোইরাংখোম অমসুং দব্লিয়ু এফ সি টিম এ মোইরাংখোমগা শান্নরগনি।

# দি এ এম এম এসকী স্পোর্টস মীট লোইশিনখ্রে



দি এ এম এম এস এন্যুএল স্পোর্টস মীটকী ফুটবোল মশান্নদা ৱিন্নর ওইখ্রবা অল-অমেন ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয়শিং

ইম্ফাল, মার্চ৩০ ঃ দেল্লি এসোসিএশন ওফ মণিপুরী মুসলিম ষ্টুদেন্ট (দি এ এম এম এস) না শিন্দুনা নুমিৎ ৬ নি চুপ্না হৌখিবা তাং ২৩ দগী চথরকখিবা ১০ শুবা এন্যুএল স্পোর্টস মীট ২০১৬ ঙরাং লোইশিনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মশান্না ফুটবোল, ক্রিকেট অমসুং এথলেটিক মশান্নদা অথোই অহেন তান্নদুনা পাঙথোকখিবা এন্যুএল স্পোর্টস মীট অদুদা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিতি কয়াগী মীওইশিংনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

তোঙান তোঙানবা শান্নবুং ৩ দেল্লিগী জসোলা স্পোর্টস কমপ্লেক্স, দয়াল সিংহ কোলেজ অমসুং গান্ধী বিহারদা পাঙথোকখিবা এন্যুএল স্পোর্টস মীট অদুদা তোঙান তোঙানবা টিম ১৭ না শরুক য়াখি। মদুদা অল-আমেন এফ সিনা ফুটবোল ট্রোফিগী ৱিন্নর ওইখি অদুগা মেরিকলস ক্রিকেট টিমনা ক্রিকেট কপ্পা ৱিন্নর ওইখি।

## নেরোকা-দেম্পো শান্নরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ) না শিন্দুনা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগতা নেরোকা এফ সিগী মথংগী হোম মেচ এপ্রিল ৩ দা গোৱাগী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা দেম্পোগা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি হায়খিবা অদু এপ্রিল ২ দা শান্নরগনি হায়গদবনি। হৌজিক নেরোকা এফ সিনা অহানবা হোম মেচ মিনরভা একাদেমিগা দ্রো ওইখিবদগী পোইন্ট অমা ফংদুনা লৈরিবনি।

# এম সি এ প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা য়ু সি সি উরিপোক অমসুং কে আই ৱাই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমসুং লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩ শুবা এম সি এ প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অমসুং ৩ শুবা দব্লিয়ু প্রহ্লাদা অমসুং দব্লিয়ু রমানন্দা এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী তোঙান তোঙানবা মেচতা য়ু সি সি উরিপোক অমসুং কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাও মায় পাকখ্রে।

ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা য়ু সি সি উরিপোক্না আর আর সি সি চুড়াচান্দপুর রন ২২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা য়ু সি সি উরিপোক্না টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩৫.৫ মায়োক্নখিবদা রন ১৬৬ লৌরগা ওল আউট ওইখি। য়ু সি সি উরিপোক্কী বেটসমেন রোসন্না রন ৫৮ (৬০), নিসিকান্তনা রন ২৯ (৩৮), অনিলনা রন ১৮ (২৭), পেবিসনা নোট আউটতা রন ১৪ (৩৭) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা আর আর সি সি চুড়াচান্দপুরগী বোলর থাংপাওনা ৱিকেট অহুম, থাংতিনলাল, রঞ্জিৎ অমসুং দেবরাজনা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

য়ু সি সি উরিপোক্না থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা আর আর সি সি চুড়াচান্দপুরনা ওভর ৩৫.৫ মায়োক্নখিবদা শুপ্নগী রন ১৪৪ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি।


আর আর সি সি চুড়াচান্দপুরগী বেটসমেন লেনমিন লালনা রন ৩৮ (৪৪), থানতিন লালনা রন ১৩ (৯) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা য়ু সি সিগী বোলর জেমসন্না ৱিকেট ৩, রোনাল্ডনা ৱিকেট ২, দাইমন্দ, লাকপতি, নিসিকান্তা অমসুং অনিলনা ৱিকেট ১/১ লৌখি।

মেচ অদুদা য়ু সি সি উরিপোক্কী রোসন্না রন ৫৮ (৬০) লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং মফম অসিমক্তদা এলিট মেচতা চেম্প খাগেম্পল্লি অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবাল অনীনা শান্নরগনি।


ঙসি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা এম সি এ প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাওনা টি সি এম দি সি থোংজু ৱিকেট ২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা টি সি এম দি সিনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩১.৪ দা রন ১৪২ লৌরগা ওল আউট ওইখি। মদুগী পাউখুম পীরদুনা কে আই ৱাই সিনা ওভর ৩৪.৪ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১৪৩ লৌদুনা টি সি এম দি সিবু ৱিকেট ২ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা কে আই ৱাই সিগী কবিরনা নোট আউটতা রন ৩৪ (৪০) লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং মফম অসিমক্তদা ঈ এস য়ু ৱাংখৈ অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সি পাৎশোইগা শান্নরগনি।

HL-B/3004/10,13,16,19,22,25,28,31,3,6,9,12,15,18,21,24,27,30,3,6



HL-B/3023/22/3-24/5(alt.)

ADMISSION IS GOING ON
SIMPS Institute of Management and Para - Medical Science,
College Campus : Pangei, Imphal, Manipur
COURSE OFFERED
Master in :- MSc. MLT, Radiology and Imaging Technology,
Bachelor in :- B.Sc MLT, Radiology and Imaging Technology,
AVAILABLE HOSTEL - BOYS AND GIRLS
PLS Contact - 98563 15518, 94022 33554
# Diploma in :- X-Ray, ECG, MLT, O.T. Technician, Dental Tech., Dialysis, Physiotherapy.
Nursery Teacher Training,
Nursery Teacher Training
Music Teacher Training,
Fashion Designing
Textile and Interior designing.
CLASS COMMENCE FROM :- 15TH Feb. 2016
Application form available from 10 am - 3 pm
HL-B/2960/11,13,15,17,19,21,23,25,29,31